হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, মে ০৪, ২০২১, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৩৮শুবা মশীং

# চাক চগ্রিংদি করিদা কান্নখিনি

## খুজিনদা য়ুবা তুমদি শৎতোল্লগা লংথোকখ্রদৌনি

লৈবাকসিদা মীয়ামগীদমক লো ময়াম লৈরি। লোশিং অসিগী মখলসু য়াম্মী। শুপচিন্না সিভিল অমসুং ক্রিমিনেল লো হায়রগা পুন্না খঙনরিবনি। অদুবু হায়রিবা লোশিং অসিবু মথ্বায় হাপ্পুনা চৎনহনগদবা এনফোর্সিং এজেন্সীশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী চাউবা থৌদাং লৌরিবসি সিভিল পুলিসনি। য়ামখ্রবা লোশিং অসিগী প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না এনফোর্সিং এজেন্সী অসিনা রেগ্যুলর এফ আই আর কেস অমা নৎত্রগা নন-এফ আই আর কেস অমা লৌখৎতুনা মসিদা চেন্নরিবা একুয়ইজনি হায়বা মীওইশিংগী মথক্তা চার্জশীট ফ্রেম তৌবা ঙম্মী নৎত্রগা মরী লৈনবা কোর্টকী দিরেক্সন লৌনবগীদমক মেজিষ্ট্রেট নৎত্রগা সেসন্স জজ অমগী মমাঙদা নৎত্রগনা এগজিক্যুটিভ মেজিষ্ট্রেট অমগী মমাঙদা পুথোকপা ঙম্মী। কেসতুদা চার্জ তৌরিবা লোগী সেক্সনশিংদুগী মখা পোন্না কোর্টতা প্রেয়র তৌবা য়াই। কেসতুগী ইনভেষ্টিগেসনগী ষ্টেজ অদুগী মতুংইন্না কোর্টতগী লৌফম থোকপা অয়াবশিং লৌননবা হায়জরকপা য়াই। ইশম শম্না হায়রবদা লো এনফোর্সিং এজেন্সী অদুনা লৌরকপা ইনিসিএটিভতগী কোর্টনা ৱায়েল চথ্নরগা মরাল লৈবশিং অকক্লবা লোগী সেক্সনশিংদুগী মতুংইন্না চৈরাক পীগদৌরিবনি। মরম অসিনা লৈবাকসিদা ক্রিমিনেলবু ওইরো, সিভিল মেট্টরগীবু ওইরো লোনা য়াদবা থবক অমত্তা কনামত্তনা তৌবা য়াদে। লৈবাকসিগী মীওই অমত্তনা লোগী মথক্তা লৈবা য়াদে। মীপুম খূদিংমক লৈরিবা য়ামখ্রবা লোশিং অসিনা প্রোটেক্সন পীরগা লৈরিবনি। অদুবু হায়রিবা লোশিং অসিবু মথ্বায় হাপ্পুনা চৎনহনগদৌরিবা লো এনফোর্সিং এজেন্সীশিংগী মনুংদা হেন্না পাকথোক চাউথোক্লা থৌদাং লৌরিবা কাঙবুগী মরক্তগী পর্সনেল অমা অনীনা লো থুগায়রকপা/শীংনরকপা অমসুং মসিবু খোঙ্গাওনদুনা চৎলল্লগদি লমদমদু করি ওইরক্কনি। মতাংসি য়ৌরল্লবদি তরাইনা লৌবা চুল্লোই। লৌখৎফম থোকপা অকনবা থবকশিং লৌখৎহৌদুনা মরালগী মতিক চাবা চৈরাক পীহৌগদবনি। ক্রাইম ওফেন্দর/ক্রিমিনেল অমবু মীওইবনি হায়দুনা মীনুংশি পোকপদুদি হৌনশানি। অদুবু মহাক্লা কম্মিট তৌরুবা ওফেন্স অদুগী মতাংদদি মদুগী মতুংইন্না লোগী সেক্সন অমত্তনা কমপ্রোমাইজ তৌহল্লোইদবনি। মরম অসিনা মে ১, ২০২১দা ইম্ফাল ইষ্টকী ক্যামগৈ মমাঙ লৈকায়গী খাগেম্বা মচা ইবুংঙো লাই হরাওফমদা থোকখিবা থৌদোক্তুদা চেন্নরিবা পুলিস পর্সনেল অনীদু নার্কোটিক দ্রগস এন্দ সাইকোত্রোপিক সবষ্টেন্সেস (এন দি এন্দ পি এস) এক্ট, ১৯৮৫গী মরী লৈনবা প্রোভিজনশিংদগী নাম্থোকহনখিদনা মরালগী মতিক চাবা চৈরাক পীগদবনি। পর্সনেল অনীদু হিরোইন নম্বর ফোর গ্রাম খরগা মফমদুগী মীয়াম্না হকথেংননা ফারগা মফমদুবু কোনশিল্লিবা পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নরকখিবনি। মখোয় অনীদু রেদ হেন্দেদনি। মদুদা ইন্দিপেন্দেন্ট ৱিটনেস ময়াম ইনভোল্ভ তৌখি। ইরিলবুং পি এসনসু তঙাইফদবা ফোর্মেলিটিশিং চপ চানা পাঙথোল্লগা থৌদোক্তুগী মতাংদা কেস অমা লৌখৎলমগনি খল্লি।

থৌদোক্তু বোর্দর ষ্টেট অমা ওইবগী মথক্তা ঙসিগী সোসাইটি অসিনা ওইরিবা ফীভমশিং অসিদগী থোকহল্লকপা দ্রগ মেনাসকী থৌদোকশিংগী মনুংদা অমনি। অদুবু লন্নাই মীওইনা অদুগুম্বা ক্রাইমশিংদু কম্মিট তৌরকপদা লো লৈরি হায়দুনা খংপ্রেক খংহনগদৌরিবা মসিগী এনফোর্সিং এজেন্সীমক্কী পর্সনেল অনীনা কম্মিট তৌরম্বনি। লংলবা মণিপুর পুলিসকী মায়থোংদা হামুক তৈশিনবগী থৌদৌনি। চাক চগ্রিং অমনা চেঙ চেঙ্কোক অমা মাঙথোকই হায়বগুম্বনি। অদুনা চাক চগ্রিংদি করিদা চন্ননি। ঈশিং হাপচিন্দুনা পোপথোকহল্লগা শা-ঙা, য়েন-ঙানুদা পীজবা ফাওবদি য়াখিগদ্রা? নৎত্রগা ওকচাক থোংবদা মচল ওইনা হাপ্পা য়াখিগদ্রা? ক্যামগৈগী থৌদোকসিনা লো-এনফোর্সিং এজেন্সীশিংগী পর্সনেলশিং চেন্নবা অহানবা থৌদোকসু নত্তে। মমাঙদসু অসিগুম্বা থৌদোক অসি কোকথোং অমা থোকখ্রে। অদুবু থৌদোকসিগুম্বদা চেন্নরল্লে হায়দুনা সস্পেন্দ তৌনি। কেস লৌখৎকনি। ক্রিমিনেল ট্রাইয়েল কোর্ট য়ৌরল্লবগী লম্বীদা লেংঙম-শাঙমদনা থরেক-থরেক চৎলক্তুনা ৱায়েল থেংথরকপদগী অচুম্বা অশেংবগী চৈরাক ফংহনবদা থিন্থহল্লক্কনি। সস্পেন্সনগী মতমসু অকক্লবা লৈবনিনা সর্ভিসতা অমুক হঙ্গৎখিনি। মদুদগী ওৎলৈ-পালৈ তৌরক্তুনা মশাগী হান্নগী ফীভমদা ফম্বা চলহল্লল্লগা হিপ্পা চনশিনখিনি। মরম অদুনা সস্পেসনগী মনুংদা লৌখৎফম থোকপা দিপার্টমেন্টেল ইনক্বারি প্রপ-প্রপ চথ্দুনা লোইশিনবা য়ানবা কেসসিগী ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসরগী মায়কৈদগীসু পন্থদনা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎকদবনি। চুন্নগী সস্পেন্সননা য়ারোই। সর্ভিসতগী টর্মিনেট তৌথোকখিগদবনি। পুলিস দিপার্টমেন্টকী খুজিন্দা য়ুরকপা তুম্লি। শৎতোল্লগা লাপ্পা লংথোকখিগদবনি। থবকশিং অসি লৌখৎত্রগদি লৈঙাকসিনা ঙাইহাক লৈতনা 'ৱার এগেনষ্ট দ্রগস' হায়দুনা কোইরাও লাওবগী ৱাহন্থোক লৈরোই। মখোয় মশা-মশাদসু য়াদে হায়ব'মা নাখে শেংনা খঙহনগদবনি। তুংদা লাক্কদবা এন দি এন্দ পি এস এক্ট, ১৯৮৫ গা মরী লৈনবা থৌদোক ৱাথোকশিংগা মরী লৈনরক্কদবা ওফেন্দর কয়াদসু নাথৈদুনা চৎহল্লোইদবা ফজরবা পারা অমা ওইহলহৌগদবনি হায়নিংই।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৭

১) "মণিপুরী লোকসাহিত্য" হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো?

২) "পুনুং ঈশম ফোয়না/চামলৌ লাচেন্নরুসি হায়রবদা/হাইনু তেরা লৌথিবী/শাইগং পোলিবী য়েন্নখাপাউতাবীনা/খোয়নৌ ইতা ও/খোইনাইওম্বা চনু ও/থোংনাং ময়াং চীং,/ময়াং কপনীং চীং,/লিন্দু য়াঙতেক চীং,/কৈরাউ খাদা পানবা/চামলৌ লাবু কদৌনশিগে?" শৈরেং মতেক অসি করি শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

৩) "নোংখোঙ তম্না" হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবা করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

৪) "হল্লকখিগনি অমুক তোর্ব্বানসিদা" হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবা করিদগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

৫) "ইমানা শিরমদাইদা/শিন্নরম্বা বোম অমা/শেন্নরি ঐনা কন্না/কনা খঙদনবা,/কনা উদনবা।" শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা করি শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পদা মিপাইবা

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৬৫২**

**জিতেন নামৈরাকপম**



হিংবা অমদি শিবা হায়বা ঐখোয় ইশা ইশাদা শোয়দনা থোক্লিবা, থোক্লগদবা থৌদোক অনী অসিগী মনুংদা করম্বা পাম্মী হংলুবদা হিংবা পাম্মী, মতম কুইনা অনা-অয়েক য়াওদনা হিংজগে শোয়দনা হায়রক্কনি। করিগুম্বদা শিনীংই, শিজরগে হায়বা মী য়াওরগসু তশেংনা শিরো-শিরো য়েংলগে কো হায়রবসু শিয়ু হায়বা য়ারোই। ঙাইহাক্কী পঙহায় হায়জিনবগী ৱানি। ব্রহ্মমক্লা পোকঙমদ্রবা মীওই মপোক অসি'মুক মমল য়াম্বসিবু কদায়দা করিদা লৈরমগদগে? পুন্সি হায়বসি ওন্থোক্লা মমল য়ামখ্রে। মসিদগী হেন্না মমল য়াম্বা পোৎ অমত্তা মালেম অসিদা নৎত্রগা মালেমগী ৱাংমদা লৈতে। অদুবু পোক্ললবনিনা নোংমদি শিগনু হায়বা য়ারোই। শোয়দনা শিগদবা মরৈরে। ওমর ওইগদবা কনাসু লৈত্রবসিদা মাগী কোভিদ হায়বা লাক্ল-ফান ঙমদ্রবা মহীক অসিনা পাক্তক্লা শন্দোরক্তুনা ঐখোয় পূন্নমক হাৎননবা মালেম শিনবা থুংনা লান্দারল্লি। কয়াদি য়াল্লে শিখ্রিবসে অহানবা ৱেভতা। হৌজিক অমুক সেকেন্দ ৱেভনা কনাসু থল্লল্লরোই, পাক্তক্লনা পুখ্রগে মতাগুম ইস্কালেসন কনশিল্লল্লি। অদুগা সেকেন্দ ৱেভসিদা অনী, অহুম, মরি, মঙা মথং মথং ম্যুচুএল ষ্ট্রেনগী মথক্তা লৈরম লৈরম্বা মীওইবা কাঙলূপ মুখৎলগে মতাগুম লান অসি কনশিল্লল্লি। লান অসি মায়োক্লনবা লৈঙাক্লা কন্না হোৎনরগসু অনাবগী মশীংদি হন্থরক্ত্রি। অশিবগী খয়াৎতা তাবা কয়া অমসু য়াওখ্রে।

কোভিদ লায়না অসিদি অনৌবনি। কুমজা ২০১৯দা চাইনাগী মফম অমদগী শন্দোরকপনি খঙনরে। হৌজিকমক মালেম পূম্বগী ওইনা মীওই য়াম্না শিখ্রে, নাবসু নারি। অদুবু অসিগুম্বা মীশিং য়াম্না হাৎপা ঙম্বা লায়না কয়ানা মালেম অসিদা লান্দারকখ্রে। খুদম ওইনা হায়রবদা ব্লেক দেথ, স্পেনিস ফ্লু, প্লেগ ওফ জষ্টিনিয়ন অমদি ঐচ আই ভি/এইদস পেন্দমিক। মতাং অসিদা কোলেরাদি চিথহৌরে, মদুসু মরু ওইবা লায়নানি। নাইন্টিন সেঞ্চুরিদা ইন্দিয়াগী গেঞ্জেটিক দেল্টাদগী হৌরকখিবা কোলেরা লায়নানা মালেম থুংনা শন্দোরকখি। লায়না অদুনা মহাদেশ পূম্বদা মীওই লিশীং কয়া কয়া তমথীনা হাৎতোকপীখি। মদুগী মখা তারকপদা কুমজা ১৯৫১দা সাউথ এসিয়াদা, ১৯৭১দা অফ্রিকাদা অমদি ১৯৯১দনা অমেরিকাদা শাফু কন্না য়ৈরকখি। অরুবা লায়না অমনা শন্দোরকপা হায়বসিমক্তবু মদুবু লায়েংনবা হোৎনবা তাবনি। মদুবু কন্ত্রোল তৌননবা হীদাক পুথোরকপা তাবনি। কোলেরাগীদমক্তদি ওরেল রিহাইদ্রেসন, জিঙ্ক সপ্লিমেন্টেসন, ইন্ট্রাভেনস ফ্লুইদ অমদি এন্টিবাইওটিক্লা লাকশিন্দুনা লায়েংবদা মায় পাকপা ঙমখি। অদুগা খ্বাইদগী হেন্না শাথীবা কোলেরা পেন্দমিক নৎত্রগা এসিয়াটিক কোলেরানা ইন্দিয়াগী কলকটা হৌজিক্লা কোলকটা সিটি মনাক্তগী হৌরক্তুনা সাউথ অমদি সাউথ ইষ্ট অফ্রিকা, লাম্থোক্তুনা মিদ্দল ইষ্ট, ইষ্টর্ন অফ্রিকা, মেদিটরেনিয়ন কোষ্ট ফাওবা শন্দোকখি। অদুগা শাথী-খ্রবা লায়নাশিংগী মনুংদা মী খ্বাইদগী হাৎপা লায়নাসু প্লেগ, স্মোল পোক্স, ফ্লু অমদি হৌজিক্কী কোভিদ-১৯না ওইরে।

নোংম-নোংমগী কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভনা নাবা মীওইশিংগী মশীং অসুম অসুম হেনগৎলক্লে। ইন্দিয়াগী ওইনা নোংমগী ওইনা মীওই লাখ ২/৩গী মথক্তা অদুগা মণিপুর ষ্টেটকী ওইনসু নোংমদা ২০০দগী ৩০০ ফাওবা হেনগৎলল্লি। নহানসু ৩১৯য়ৌনা পোজিটিভ ওইবা য়াওখ্রে। লুরিবদি লৈঙাক্লা থৌরাং তৌদুনা থম্বা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা থম্বা চল্লক্তবা অসিনি। রিমস হোস্পিটাল, জেনিমস হোস্পিটাল, শিজ, রাজ মেদিসিটি য়াওনা ত্রিটমেন্ট সেন্টর পূম্বা অনাবনা পীক থনখ্রে। কোভিদ-১৯না নারবা অনাবশিংগী লায়েংনবা থম্ফম চল্লক্ত্রে। লায়েংনবা অনাবা লৌশিনবীয়ু য়াদ্রে। লায়েংনবা মতেং পাংলিবা সেন্টরশিংনা টেলিফোন ফাওবা পায়খৎপীদ্রে। অনাবশিং নঙনা নঙনা ঙম্নবা হোৎনরো, নরাইবক য়েংজরো হায়বগী ফীভমদা লাক্লে। মতাং অসি য়ৌরকপদা লৈঙাক্লা তূমিন্না লৈশিল্লিবা অসি য়ানীংদে। অথুবা মতমদা মতিক চাবা এক্সন লৌ-খৎহন্নীংবগী অপাম্বা লৈরে। মরমদি ৱারেং অসি ইজরিবা ঐহাক ইশামক্কী য়ূমথংননা লৈবা ইমুংগী অঙাং য়াওনা ইমুং হুপ্পা নাবদগী পাম্বৈ লৈত্রদুনা নক্লবদা লৈবা স্কুল অমদা ক্বারন্টিন তৌদুনা থম্বা নুমিৎ মরিনি শুরে। মসিসু মিপাইনীংঙাইহনি। মরমদি ডাক্তরনা ইরকপা হীদাক চারগসু অনাবা ফরক্কনি-ফরক্লোই হায়বা খঙদে। অনাবগী হকচাং ফগৎলক্লবা নোংমতসু য়েংশিনবীনবা কনাসু লৈতে। ডাক্তর লৈবা নত্তে। নর্স লৈবা নত্তে। হিংগেরা, শিগেরা নরাইবক য়েংঙু হায়না থাদোক্তুনা থম্বগা মান্নরে। মতাং অসি য়ৌরকপদা ঐখোয়সু তৌফম খঙদ্রে। স্কুলদা থল্লিবা অনাবগী ইমুংনা চান-থক্লবা পোৎলম খরা থিন্দুনা পীরুবা নত্তনা ঐখোয়না করিসু তৌবা ঙমদে। ঐখোয় ইশামকসু মদুদা পোৎ থিনবা চৎলুবা মতমদা ওন্থোক্লা নুংঙাইতবা ফীভমদা লৈরল্লিবশিংদু য়েংবা ঙমদ্রে। তৌবগীদি অনাবা থম্ফম চল্লক্তবা অসিদা য়ূল্লে কৈরৈ মওং তানা লৈবা কা মরাং কায়না লৈবা, লেত্রিন-বাথরুম এটেচ তৌদুনা লৈবা নুংঙাই য়াইফনা লৈবা ইমুংশিংদদি মশা মথন্তা ক্বারন্টিন তৌদুনা ওক্সিজেন সিলিন্দর ফাওবা পুথদুনা মওং তানা লায়েংবা ইমুংসু য়াওরি। অদুবু কোভিদ-১৯ নঙ ঐখোয়গী ইমুংদদি/ঐঙোন্দদি নারক্কনু নীংজরগা খঙহৌদনা নারকপা লায়রবা য়ূল্লে কৈরৈ মওং তানা লৈতবা ইমুংদদি যমগী লৈবাক্তা চৎলমদাইগী লম্বীগী পোথাশঙদা ঙাইহাক নোংখন্নবগা মান্নরে।

তমথীখ্রবা লায়না অসিবু লাকশিন্নবা লৈঙাক্লা হোৎনদবদি নত্তে। নুংতিগী লাউরি হীদাক কাপথোকপীয়ু, ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর ঙাক্লা চৎপীয়ু, গ্রেটর ইম্ফাল এরিয়াসু কন্টেনমেন্ট জোননি লাউথোকখ্রে। চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎখ্রে। লমহেন তুহেনবা কয়া ফাদুনা ৱারকখ্রে। অদুবু অনাবগী মশীংদি হন্থরকউ য়াদ্রে। নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লে। অসুক লুরবা হীদাক কাপফমদা ক্য লেপ্পরবা মতম অসিদা ডা. ভরনন কোলমেন কৌবা ভেক্সিনেসন প্রিদিক্ট তৌবা অমনদি হীদাক কাপ্লিবদু য়াম্না থুদোংথিনীংঙাইনি খরা থুনা শিননবা হীদাকনি, জিনোসাইদনি, মরু ওইনা থর্দ ৱর্ল্ড কন্ত্রিশিংগী কান্নদবদা হিংবা মীশিং হন্থনবা হীদাকনি হায়না পোষ্টতা থাগৎলল্লি। Dr. Coleman : Covid-19 vaccines are weapons of mass destruction and could end the human race. Even worse some of the vaccinated individuals can become asymtomatic carriers, spreading deadly viruses around them. "This problem has just been raised by Dr. Greet Vanden Bossche, a leading vaccine specialist. LEADIND VACCINE SCIENTIST WARNS THE WORLD- অমুকসু খল্লি মসিবু চুল্লিদ্রা-লাল্লিদ্রা! ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ১৬

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

ইন্দিয়াগী সিনেমাগী ওইনদি বোল্লিৱুদকী সুপর ষ্টার ওইরিবা অয়াম্বা মুসলিমশিংনি হায়বা য়াই। অদুগা মখোয়না কুল্লিবা ফিল্ম অয়াম্বনা হিন্দুগীদা য়ূম্ফম ওইবনা অয়াম্বনি। অদুবু মখোয়না ফিল্মদু কুম্বদা লৌরিবা রোলগী মতুংইন্না হিন্দু/খৃষ্টিয়ন মান্নবা হোৎনবদা থোয়না ৱাবা/নুংঙাইতবা উদে। য়াম্না চুশিন্ননা এক্টিং তৌবা ঙম্বনা ফালকে এৱার্দনচিংবা মখল কয়াগী এৱার্দসু অদুম ফংই। ফিল্ম শুটিং হেক লোইখিবদগীদি মশা মশাগী মনাৎকী চৎনবী অদুম মতৌই। ক্রোর ফাওবগী থাক্তা ফিল্মদু কুম্বগী খূৎয়েক পীনদুনা য়ানরগা আর্টিষ্ট অমা ওইবগী মতিক ময়াই উৎনবা হোৎনরগা অয়েংবশিংদগী থাগৎ ৱাহৈ কয়া ফংলবা মতুংদা মীয়ামগী আর্টিষ্ট হায়বদি বেষ্ট এক্টর-এক্ট্রেসকী থাক য়ৌবনি হায়বসি লোইনা খঙনৈ। ইন্দিয়াগীদা নত্তনা মালেমদা মশক নাইবা অমা ওইখিবা মহাত্মা গান্ধীগী পুন্সি ৱারী খরদা য়ূম্ফম ওইরগা এন এফ দি সীগী প্রদক্সন মখাদা Richard Attenborough না দিরেক্টর কম প্রদ্যুসর ওইরগা কুমজা ১৯৮২দা নমখিবা 'গান্ধী ফিল্ম' দা মহাত্মা গান্ধীগী শক্তম লাংখিবা Ben Kingsley, জৱাহরলাল নেহরুগী শক্তম লাংখিবা Roshan Seth, কস্তুরভা গান্ধীগী শক্তম লাংখিবী রোহিনি অদুগা সরদার পটেলগী শক্তম লাংখিবা Saeed Jaffrey নচিংবা কয়ানা কন্না হোৎনরগা আর্টিষ্ট অমা ওইবগী মতিক চাবা মওংদা শক্তম লাংনখিবনি। অসুন্না, মহাভারতকী সেরিজগীদা Sourabh Raaj Jain না কৃষ্ণ, Firoz Khan না অর্জুনগী শক্তম লাংখিবা অদুম হায়না রামায়নগী সেরিজদা Arun Govil না রামগী শক্তম লাংখিবা, Deepika Chikhalia না সিতাগী শক্তম লাংখিবা, Sunil Lahiri না লক্ষমনগী অদুগা Arvind Trivedi না রাবনগী শক্তম লাংখিবা - মসিদা মখোয় মশাদদি অদু অদা হায়দনা খল্লুদনা শক্তম লাংখিবা ওইরমগনি হায়না লৌজে।

মথক্তা পঞ্জখিবা খরসিনা ঐখোয়গী ষ্টেটকী ৱাংমশিংদা তৌনবা থৌওং ওইরগা ইরমদমসিদা মমিং লৈরবা লৈরবী আর্টিষ্ট কয়া লৈবগী মথক্তা ইনখৎলল্লিবা ইনখৎলল্লিবী মচিন তুমখৎলল্লিবা/তুমখৎলল্লিবী কয়া অমসু থোরল্লি, হেন্না থোরকখিনি হায়না থাজবা থমজরি। মতাং অসিদা ৱারেংসিবু পাবীরিবশিংগী মফমদা থমজনীংবা ৱাফম অমদি কুমজা ১৯৫৪দা লিংখৎখিবা জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমি অসিগী অহানবা ওইনা মণিপুরী ক্লাসিকেল সোলো দান্স ফেষ্টিবেল চৎলিবা চহীসিগী ফেব্রুৱারী ২১দগী ২৮ ফাওবা নুমিৎ ৭নি চূপ্পা পাঙথোকখিবসিগী অরোইবা নুমিৎতা লমদমসিগী তোঙান তোঙানবা ফুরুপ অনীগী ইচানুপীগুম্বী অনীনা 'ওকচরি য়েনিংথা' হায়না মিংথোনবা ফেষ্টিবেলদা অয়েংবশিংবু নুংঙাইহনখি হায়বসিনি। তশেংনা হায়বা তারবদি নুংঙাইহনবা নত্তে, থাগৎনীংঙাইনি হায়জনীংই। মরমদি কুমজা ১৯৫৪দগী কুমজা ২০২০ ফাওবদং পাবদা শাংলবা চহী ৬৬কী খোঙচৎ অসিদা হন্দক উৎখিবা মণিপুরী ক্লাসিকেল সোলো দান্স অসিনা অহানবনি হায়বসি অতাবশিং অমদি শিল্পি লাংলিবশিংগীদমক্তদি থোইদোক হেন্দোক্লা নুংঙাইবা ৱাফম অমনি। অদু ওইরবদি জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমি অসিগী অখন্নবা ফেষ্টিবেল অমা ওইখিবসিদা অখন্নবা মহাও পীখিবদি ইরমদমসিগী মচিন তুমখৎলল্লিবা আর্টিষ্ট ওইরল্লবী অদুগুল্লবী ইচানুপীগুম্বী অনীদুননি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই হায়না থজমজগে। মখোয় অনীদুদি অমনা কৈশামথোং কবুই খুলদা লৈবা লৈখিদ্রবা কামৈ মৈথোললুং অমদি গাইচুইরু কামৈ অনীগী মচানুপী কবুই নিংঙোল কামৈ খাংজেনমৈনা মৈতৈ ইনাৎকী নিংথিরগা ফিজেৎ লৈতেং শেৎ চাদুনা য়াম্না পকচনা গৌরাঙ্গ রুপকী সোলো দান্স শাখিবা অদুগা অনীশুবী ইচানুপীগুম্বদুনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ন্যু চেক্কোন দিমদাইলোংদা লৈবা সাজাবম সাহিদুর রহমন অমদি সাহিদা বেগম অনীগী মচানুপী, মৈতৈ পাঙল নিংঙোল সাজাবম নেগ্রিসনা মৈতৈগী ফিজেৎ লৈতেং ওইরিবা পোৎলোই শেৎতুনা নিংথিরবা শাথেক শানোমগা লোয়ননা রাধা অভিসার হায়না মিংথোনবা নাইতোম জগোয় শাদুনা ইচানুপীগুম্বী অনীমক্লা অয়েংবশিংগী পূক্লিং চিংশিনখি হায়বসি তশেংনা হায়বা তারবদি ইচানুপীগুম্বী অনীসিগী থৱায় য়াওবা অমদি আর্টিষ্ট অমমম ওইবগী ৱাখলদা লাইনীং লাইশোনগী ৱাখল থাদোল্লগা মখোয় অনীগী তৌবা ঙম্বা মতিক ময়াই উৎখিবনি হায়না লৌরগা মতুং তারকপা মখোয় অনীগী পুন্সিশিংদা হেন্না মতিং লৈবা আর্টিষ্ট অমমম শোয়দনা ওইরকখিনি হায়বগী থাজবা মখোয় অনীগী মফমদা থল্লি। মথক্তসু হায়জখ্রে মদুদি আর্টিষ্ট অশেংবা ওইবশিংগী মফমদদি কলচরদা ফুরুপ-কাঙলূপ খায়দে হায়বগী ৱাখল্লোন্দা পূন্না শরুক য়ামিন্নবনি হায়বা ৱাফমসিমক য়াম্না থাগৎনীংঙাইনি। তৌবতবু ইচানুপীগুম্বী অনীসি অমনা কবুই নিংঙোল অদুগা অতোপ্পা অমনা মৈতৈ পাঙল নিংঙোল ওইরগা জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমিদা কামৈ খাংজেনমৈনা জগোয়দা দিপ্লোমা কোর্স তম্বা লোইরগা হৌজিক পি জি ফর্ষ্ট য়রদা তল্লগা, সাজাবম নেগ্রিসনা হৌজিক দিপ্লোমা কোর্স সেকেন্দ য়রদা তল্লিবসিগী মখোয় মশাগী ওইবা পান্দম অমসু লৈজরম্বা য়াই। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু কুমজা ১৯৫৪দগী লিংখৎতুনা লৈরকপা কলচরগী ওইবা আর্টিষ্ট কয়াগী পুথোকফম ওইবা জে এন এম দি এ ইম্ফালগী দিরেক্টর ইন-চার্জ ওইরিবা পি বিলাসনা হায়খিবদা হন্দক উৎখিবসিনা একাদেমিসিগী অহানবা সোলো দান্সনি হায়বসিনা চুল্লবদি হৌ-খবা থৌরম কয়াদা একাদেমিসিগী ওদিটোরিয়ম হোলদা মখল মখা কয়াগী সোলো দান্সসি শুকউৎ উৎখিদব্রা হায়বা ৱাহংসি লাকলোইদ্রা হায়বসিনি। মরমদি মণিপুর কৌরবা লমদম/ষ্টেট অসিদা য়াম্না পূক্লিং থৌগৎনা উৎলিবা সোলো দান্সতি কৃষ্ণ শাবা, রাধা শাবা, গ্রুপ ওইনা শাবদনা জগোয় রাস মখল কয়ানি। খুদম, ষ্টেট অসিদা মপান লমদগী মশক নাইবা মীশক অমা/খরা হেক লাকপদা লমদমসিগী কলচরগী মশক তাক্লবা হোৎনবদা উৎলিবা অয়াম্বা জগোয়সি করম্বা মখলনো? মদু নত্তনা লমদম অসিগী কলচরগী মশক তাক্লবা অতৈ ফুরুপকী জগোয়গদি একাদেমিসিগী ওইনা তম্বীনবা খুদোংচাবা মতিক চানা লৈতব্রা? ষ্টেটসিদা করম করম্বা মীওই ফুরুপশিংনা পূন্না খুন্দামিন্ননবা লৈতব্রা? মখোয় মশাগী অরিবা মতমদগী হৌরক্লোনগা মরী লৈনবা আর্ট ফোর্ম জগোয়বু ওইগেরা, লাইনীং লিচৎকা শাগোন্নবা ওইগেরা - অমত্তা লৈতে হায়না খনবিব্রা? খাংঙুথক্তা চঙলকপা, মীতোপ্তা মশক তাকনীংলিবা, মুকসন কলচরসি চহী কুমজা কয়া শুরবগে? মশু শুথাংনা মবুধৌ পুরেল নাককপদগী হল্লে হায়না খনবিব্রা? মতমদুদগী হৌরগা হৌজিক ফুন্নাইসিদা অহিংবা ফুরুপ অমা ওইনা লৈরিবশিংসিগীদমক মবুধৌ পুরেল নাককপশিংদুনা নাৎ/কলচর ওইবা য়াবা পোৎশক নৎত্রগা আর্ট ফোর্ম অমত্তা থম্বীরমদে হায়না খনবিব্রা হায়বনচিংবা ৱাহং কয়া থোরক্লোইদ্রা হায়বসিদা অরানবা য়াওব্রা?

মতাংসি ফাওবগী ওইনা থমনীংবা ৱাফমদি - ইফুরুপ মচা অমা ওইবগী মথৌ তাবা পুকোক পাথাং কোক্কী হৌরক্লোনগী ৱাহন্থোক লৈনা ফজবা লিচৎ খুদিংমক য়োকখৎনবা হোৎনবগী মহুত্তা খাংঙুথক্কী মীরম লীচৎ চৎলগা মীনাৎলা, ইনাৎলা খঙদনা লাইনীং লাইশোন্দা মীপাল তাংলগা মীনাৎ য়োকখৎনবা হোৎনবসিরা - অনীসিগী মরক্তা লমদমসিগী ওইনা করম্বনা হেন্না চুম্বনো, ফবনো হায়বসি তেংপানবা মপুনা ৱাখৈবিবা অশেংবা ৱাংলেন মতমদু ওইরক্লে হায়না নোল্লুক্লা থৌনিজরি। শিদবা মপুনা য়াইফরে। ●